HUEIYEN LANPAO

Friday, May 28, 2021, Imphal

কোংগ্রেসনা ...

লামায় ১গী মখা... কন্সত্রক্তিভ ক্রিটিসিজম অমসুং প্রাক্তিকেল সজেসনশিংদা থাজবা থম্মী হায়রদুনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টগী মায়কৈদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা থাখিবা অদুনা পার্টি অসিবু পেন্দমিক অসিগীদমক লৌখৎখিবা থবকশিং ময়েক শেংনা তাক্লবনি হায়রি।

লোয়ননা কোংগ্রেসকী মতমদা টি বি হোস্পিটাল ওইনবগীদমক শাগৎলম্বা মফম্বু কোভিদ হোস্পিটাল ওইনা ওন্থোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা পেন্দমিক অসিগীদমক য়েংলদুনা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংননবা মতম খরগী ওইনা টি বি হোস্পিটালশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি শীজিন্নবা য়াই। অদুবু হোস্পিটাল অসি কোভিদ ক্যের সেন্টর নৎত্রগা দেদিকেটেদ কোভিদ হোস্পিটাল ওইনা শঙ্গাখ্রবরা হায়বদুদি ময়েক শেংদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা পেন্দমিক অসিগী মনুংদা কোভিদ পেসেন্টশিংগী রাইট টু লাইফ য়াওনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকিল ২১না পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিং ফংহন্নবগীদমক মশীং য়াম্লবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) কয়া সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টশিংদা ফাইল তৌনরি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা পেন্দমিক অসিগী মতাংদা কোর্টকী মায়কৈদগী খূৎ থিংজিল্লক্ত্রবদি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা ষ্টেটকী বি জে পি লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিবু লাকশিন্নবা চপ চাবা থবকশিং মাঙজিল থানা পাঙথোক্তে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

FOREX (INDIA RUPEES)	
FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.505893
US Dollar	72.589897
British Pound	102.815807
Australian Dollar	56.207173
Chinese Yuan Renminbi	11.378022
Japanese Yen	0.663840
Malaysian Ringgit	17.537628
Singapore Dollar	54.836680
South Korean Won	0.064942
Saudi Arabian Riyal	19.357306
Thai Baht	2.319897

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK. BOOKING UPTO.27/05/2021.VALID FROM.22/05/2021. FOR HOME DELIVERY. M.NO. 9089177227 & 9366597565.M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT.TIME.8.00AM. TO.11.00 AM

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:15-5-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556. Time 8:30 to 12:30 .Adminstrative Office close on Sunday and holiday. Also Encouraged online payment. Those who haven't received within the aforesaid time please show the second copy or personal copy and along with mobile phone and the same maybe send in whatsApp no 9612718751. also available 19kg and 5kg

M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Call Timing: 8 AM To 12 PM
URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
***SAGOLBAND TERA & SURROUNDING -9862791279, 9366727636, 9089519886.**
TIDDIM LINE -9774213728
TAKYEL AREA. LANGJING,PATSOI 9089542175, 9774213728.
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837. Enquiry no. 9856134465.
Booking upto 30/04/2021
Valid from 10/04/2021

HEIROK INDANE
Valid from 16-04-2021
BOOKING UPTO 01-05-2021
Stock:- 306
All customers are HOME DELIVERY
For any query plz contact Office during :- 9.30 am to 2.00 pm

M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU
B/upto-20-04-021
V/from-11-04-021.
Stk-306.
Only home delevery, call to 7629966437.
Time - 8am to 2pm

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 16/04/2021
BOOKING upto:17/04/2021
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY:(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO) 9436280866
TIMING: 8:00am to 12:00 pm (HOME DELIVERY ONLY)

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING upto 15-04-2021
VALID FROM 07-04-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 28-05-2021
CONTACT NO-7005695308, 6009772483

কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগী য়েংবিদুনা অরাইবা মওংদা বেনিফিট পীবিয়ু : টিকেন্দ্রজিৎ

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগী য়েংবিদুনা অরাইবা মওংদা বেনিফিট পীবিয়ু হায়না ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন্স কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট টি টিকেন্দ্রজিৎনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মেট্রিক এগজাম পাস তৌখ্রবা মহৈরোয় অমা মার্কশিট মাঙখ্রে হায়দুনা বোর্দনা মেট্রিক এগজাম অমুক হন্না থাগদবনি হায়রবদি শনোংবা হিগাইৱাগী পাউরৌ মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দনা নীংশিংবিবা ফগনি হায়না থমজ নিংই। হৌখিবা চহী ২০২০ ফাওবদা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দতা এক্টিভ ওইরিবা কন্সট্রক্সন ৱার্করস কয়া লৈবগে হায়বসি অককনবা মশিং বোর্দ অসিনা খুন্নাই খঙনা মীয়াম মাঙদা থম্বিগদবনি। মশিং অসুক শুরে হায়বা নৎতবা ফিগর ওইনা থম্বিয়ু। অদুগুম্লবা এক্টিভ ওইরিবা রেজিষ্টর্দ ৱার্করশিং অদুদগী অমুক হন্না দোক্যুমেন্ট সবমিট তৌরকউ হায়বসি ওফিস লিংদবা মানগনি। ঙসি পেন্দেমিককী কর্ফিয়ু মরক্তা মচা-মশু ফাওবা স্মার্ট ফোন পায়হন্দুনা ওনলাইন ক্লাস য়াওহনবা ঙমজদ্রিবা শীন্মিশিংগী মফমদা চৈরকশিদা মতৌ করম্না সাইবর কেফ তান্না চৎতুনা শেল তিংহনদনবা মরি লৈনবশিংনা শিনবিয়ু।

চহীদা ৱেজগী শেনফম লুপা ক্রোর ২০দগী তাদনা ৱেলফ্যের বোর্দ অসিদা কারিবা বোর্দ অসিনা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগী করি ৱেলফ্যের তৌরিবগে হায়বসি শীনিম্শিংনা শোয়দনা হঙনিংলমগনি। কুমজা ২০১৬দগী ২০২১ ফাওবদা এদ্যুকেসন, মেদিকেল বেনিফিটনচিংবা বেনিফিট কয়া চহী কয়াগী শীন্মিশিংদা ফংহনখ্রবগে হায়বসি ৱেলফ্যের বোর্দ অসিনা মীয়ামদা লোৎশিন্দুনা থম্বিরোইদবনি। করি মরমগী চহী কয়াগী বেনিফিট পীথোক্তনা থম্লিবনো হায়বসি মীদিয়াগী থোঙদা শেংদোকপীবা মতম ওইরে। ট্রেনিং প্রোভাইদর কয়াদা লুপা ক্রোর কয়া স্কিল দিভলপমেন্টকী ট্রেনিং ফংহনখ্রবগে? মখোয়না ট্রেনিং পীদুনা থবক ফংহনখ্রবা শীন্মি ইচিল ইনাওশিংগী মচা-মশু মরি মতাগী লিষ্ট অদু মীদিয়াদা ফোঙদোকপীবদা অকায়বা করি লৈবগে হায়বসি কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংনা হংনিংবা ৱাহংনি।

হৌজিক বোর্দ অসিনা নৌহৌননা দোক্যুমেন্টস ৬ দিমান্দ তৌরি মদুদি আধার কার্দ; লেবর কার্দ; লেটেষ্ট মেম্বরশিপ রিন্যুৱেল রিসিপ; বেঙ্ক পাসবুক; বেঙ্ক একাউন্ট হোল্ডর নেম অমদি একাউন্ট নম্বর অমদি আই এফ এস সী কোদনি। মসি শুপ্নগী লুপা ১০০০গী বেনিফিট পীননবা শীন্মিশিংদা সবমিট তৌরক্লবা হায়রি। মদুসু কর্ফিয়ুগী মতম অসিদা অককনবা মতমগী মনুংদা হায়রি। পংজরবা শীন্মিশিংনা ৱেলফ্যের বোর্দ অসিদা থমজনিংবা ৱাফমদি রেজিষ্টার তৌবদা শীজিন্নখিবা ফোর্ম-১, এস এল-১১ মেনশিল্লগা রেজিষ্টর্দ তৌখিবা শীন্মিশিংগী ফোর্ম ময়াম অদু কদাইদা থম্বিখ্রবগে? মেনশিল্লক্তবা য়াওই হায়রগনা শেল লৌরগা রেজিষ্টর্দ তৌখিব্রা হায়বসি ৱাহং হংদবা য়ারোই। হৌজিক মদু নৌহৌননা শীন্মিশিংগী মফমদগী তানবগী কান্নবা করিনো? রিন্যু রিসিপ্ট অদুসু বোর্দ অসিনা পীবনি। মখোয়দা করিগী রেকোর্দ লৈতবনো হায়বসি থিগৎপা চুমগনি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ম্যেনপাউরগী অৱাৎপা লৈ হায়রগনা হৌজিক বোর্দ অসিদা দি পি সী পাঙথোক্লগা নীংথিজনা নীয়ম চুম্না হাপখিবা থবক তৌবা মী কয়া লৈরিবগে, কন্ট্রেক্ট ওইরগনা করম্বা মতমদা মীয়াম খঙনা ইন্টরভিয়ু পাংথোক্লগা ইমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জদা কার্দ থাদুনা হাপখিব্রা হায়বসি শীন্মি ময়াম হুপ্না থীগৎপগী তাঞ্জা অদু ফাওবা তৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। শীন্মিশিংগী ৱেলফ্যের নীংথিনা তৌবিয়ু। শীন্মিশিংবু কান্নদবা মওংদা হরাসমেন্ট পীবিগনু, শীনিম্শিংগী মচা-মশুগী মরক্তা লো খঙবা লাইরিক লাইশু হৈবা ময়াম অমা য়াওরল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা ৱেলফ্যের বোর্দ অসিনা শীন্মিশিংগী শুপ্নতগী মখোয়গী খুৎশুমলগুম্লবা ৱেজগী শেনফম অদুদগী লুপা ১০০০ পীবিগদবা অদুদা নীয়ম চুম্না পীবিনবা বোর্দকী মীৎয়েং চীংশিঞ্জরি হায়রি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী লায়েংমল ...

লামায় ১গী মখা... এল অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী সেক্রেটরি/কম্মিস্নরনি।

থা অসিগী ১৮দা কোর্টকী মায়কৈদগী নুমিৎতুদা ইস্যু তৌখিবা নোটিশশিং অদুগী পাউখুম ঙসি ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা খঙহনখিবগী মতুংইন্না ঙসি মেট্টর অসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংলিবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লৌখৎলকপদা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমগী মায়কৈদগী ঙরাং থোকখিবা হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিগী ওর্দর অদু য়াওনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং কোর্টতা থমখি। লোয়ননা হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোভিদ পেসেন্টশিং অমসুং নন কোভিদ ইমজেন্সি পেসেন্টশিংবু প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংবদা লৌগদবা লায়েংমলগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা থবক থৌরমশিংনি হায়দুনা ফোঙদোকখি।

এদিসনেল এ জিগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা পি আই এল অসিগী পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি শাহুনা মহাক্কী পিটিস্নরনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদ পেসেন্টশিং ত্রিটমেন্ট তৌবদা শেল য়াম্না লৌরে হায়রক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদদি চপ চাবা পাউখুম ফংলে হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক এদিসনেল এ জিগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্লা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদ অমসুং নন কোভিদ ইমর্জেন্সি পেসেন্টশিং লায়েংবদা লৌগদবা চার্জশিংনি হায়দুনা কোর্টতা টেবল তৌরকখিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু এফিদেভিট ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরিগী খূত্থাংদা ফাইল তৌরক্লবা খঙহনখি। হায়রিবা এফিদেভিট অদুগী মতাংদা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপা থবক পুম্নমক্কী মরীক চূম্বা রিপোর্টশিংসু য়াওহল্লক্কদবনি হায়খি। লোয়ননা মেট্টর অসিগী মখা তাবা শরুকশিং খন্ননগীদমক পি আই এল অসি মথং থাগী ২দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ...

লামায় ১গী মখা... ডা. রোমেনকুমার খুন্দ্রাকপমসু শরুক য়াখি। সী এম রিলিফ ফন্দদা মতেং পীবা অসিগা মরি লৈননা মেঞ্জোর মঙাংনা হায়খি, তমথিরবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিবু লাম্হেংননবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অহীং-নুংথিল খাক্তনা ৱানা হোৎনজরিবা অসি ঐখোয় পুম্নমক্লা পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা লৈঙাক্তা ঐখোয় পুম্নমক্লা অঙম্বা মতেংশিং পাংমিন্নসি। অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোলদা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মীওইবা খুন্নাইবু তমথিরবা লাইচৎ অসিদগী কনমিন্নহৌসি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতগী ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমদা দোনেট তৌনরকখিবশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর-লুপা ৩,০০,০০০, চীং তম ন্যুজ মণিপুর (ৱাটসএপ মণিপুর) - লুপা ১,৭৭,৭৭৭, মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক - লুপা ১০,০০,০০০, এন ইবোচৌবা (এম দি, বি আই পি এল), ইম্ফাল ব্রাঞ্চ - লুপা ৫,০০,০০০, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন - লুপা ২,০০,০০০, আর কে ইচনথোইবী অমসুং মহাক্কী মরুপ অমদি তুং ইনবশিং (ফেসবুক) লুপা - ২০,০০০, হিটেস এস তৃপাথি, এভেন্যু এগ্রো এন্টরপ্রাইজেস - লুপা ৫,০০,০০০, সলাম সচিদানন্দ (লোকল কোওর্দিনেটর, ক্যের ফোর মণিপুর) - দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১০, এম দি নসির খান (দিরেক্টর, এম এস ক্রিএটিভ স্কুল, ক্বাক্তা) - লুপা ৫০,০০০, সরাংথেম মনাওবী (রিটায়ার্দ আই পি এস) - লুপা ২,০০,০০০, এ হেমন্ত অমসুং রোমা (এম/এস এন আর মোটোরস), এম জি এভেন্যু - লুপা ১,০০,০০০নি হায়রি।

সেসন্স জজ গুনেশ্বরনা শরুক য়াদুনা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ (ইম্ফাল ৱেষ্ট) অরিবম গুনেশ্বরনা শরুক য়াদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা জিটসি মীট এপকী খূত্থাংদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা প্রোগ্রাম অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ তারকপদগী পাঙথোকপা হৌখিবনি। প্রোগ্রাম অদুগী টোপিকনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ৭তা সুও মোটু রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং অর্নেস কুমার ভর্সেস ষ্টেট ওফ বিহারগী কেসতা পীখিবা রুল্লিং অদুনা ওইখি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি এল এস এগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট য়েংখোম সোমোরজিৎ, জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্ট ১ ওইরিবী লাইশ্রম রিনা, জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্ট ২ ওইরিবা এম হিরালতা, ত্রেনি জুদিসল ওফিসরশিং, এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট কে মেঘচন্দ্র, এদিসনেল এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট (এল এন্দ ও) টি ঐচ সঙ্কর দেব অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস দি পি ও অমসুং আই ওশিংনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালনসু ওনলাইনগী মেদিয়মদা শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী স্পোন্সরসিপ মখাদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। প্রোগ্রাম অসিদা থৌবালগী দি এল এস এগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ অরিবম নৌতুনেশ্বরিনা 'এরেষ্ট এন্দ দিটেন্সন ইন দি লাইফ ওফ দি এপেক্স কোর্ট জজমেন্ট ইন অর্নেস কুমার এন্দ ষ্টেট ওফ বিহার এন্দ অন্নদর' হায়বা টোপিকসিদা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অসিদা দি এল এস এ থৌবালগী সেক্রেটরিসু ওইরিবী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অথোকপম শান্ত, এদভোকেট মোমোননা মসলসাগী পেনেল লোয়র ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা পুলিস ষ্টেসনশিংগী মকোক থোংবা পর্সনেলশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ ইম্ফাল ইষ্টসু ওইরিবী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চ্যেরমেন আর কে মেমচানা প্রিসাইদ তৌদুনা অতোপ্পা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। প্রোগ্রাম অসি 'ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ অর্নেস কুমার ভর্সেস ষ্টেট ওফ বিহার এন্দ অন্নদর জজমেন্ট ইন এরেষ্ট এন্দ দিটেন্সন ওফ এক্যুইজ' হায়বসিদা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসিদা এদভোকেট মোমোন অমসুং গোপেন্দ্রোনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

লল্লাই মায়কৈগী লৌমীশিংগী মীৎতগী মপি তাহল্লোই : সাপম কংলৈপাল

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

লল্লাইমায়কৈগী লৌমীশিংগীমীৎতগী মপি তাহল্লোই হায়না পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা ফোঙদোকখ্রে হায়না লল্লাই মপারি থৌগল লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লল্লাই মায়কৈবু মণিপুরগী অহানবা দ্রগ য়োনবা অমদি শীজিন্নবা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙথাংগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইনা নোংমাইবন্দ খুলনা কোল্লিবা নোংজিং চীংশাংশিংদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা পান্বীশিং থাখিদ্রে। পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা অচঙবা শেনফম পুন্বা পুথোক্লগা নোংমাইবন্দ খুলগী খুঞ্জাশিংদা মতম-মতমগী ওইবা মরু-মরাংশিং থাহন্দুনা চহী খুদিংদা মণিপুর লৈঙাক্লা পোপি য়াম্থৎখিবা নোংমাইজিং চীংগী শরুক্তা নোংমাইবন্দ খুলনা কোনবা মফমশিংদা মায় পাক্লা পোপি পান্বী থাহন্দবা ঙমখ্রে। সাপম কংলৈপালনা শিন্নরকখিবা মরু-মরাংশিং অদু হৌখিবা মার্চ থাদা নোংমাইবন্দ খুলগী খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নদুনা নীংথিনা থাহনখি। মহৈ মরোংশিং অদু চুম্না থারিবরা হায়বা য়েংশিন খোঙচৎ অমা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা লুচিংদুনা লল্লাই মপারি থৌগল লুপকী লুচিংবশিংগা লোয়ননা চৎখি। য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা খুঞ্জাশিংনা মায় পাক্লা মহৈ-মরোং থারম্বা থেংনখি। লোয়ননা মায় পাকপা অমা ওইনা নোংমাইবন্দ খুলনা কোল্লিবা নোংমাইজিং চীংগী শরুকশিং অসিদা পোপি পান্বী অমত্তা থারমখিদে হায়রি।

পনবা হৌখিবা চহী খরা অসিদা থংন-থংননা অকোইবদা লৈরিবা চীংশাং অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা পোপি পান্বী য়াম্থৎখিবগী পাউ লৈখিবনি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা লৌমীশিংগী পোৎথোক কয়া লোকদাউননা মরম ওইদুনা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লদুনা লৈরমখি। খুঞ্জাশিংগী অৱাবা য়েংলগা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা পোৎথোক খুদিংমক য়েনবগী থৌদাংসু লৌগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সাপম কংলৈপাননা খুঞ্জাশিংগী য়োনফম লৈতবা পোৎথোক খুদিংমক লৈবগী থৌরম অমগা লোয়ননা পোৎথোকশিং অদুগী খুৎশুমল মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

খুলগী নিংথৌ য়াওনা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা খুল অসিখক্কী নত্তনা লল্লাই মায়কৈগী লৌমীশিংগী য়োনফম লৈতবা পোৎথোক খুদিংমক লৈগনি, লল্লাই মায়কৈগী লৌমী মীয়ামগী মীৎতা মপি তাহল্লোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লল্লাই মায়কৈবু পোৎথোক-চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা খোংথাং কয়া লৌখৎলিবশিং অসি মীয়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলগনি হায়বা ৱাফমসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। নোংমাইবন্দ খুলগী খুঞ্জাশিংগী পোৎথোক অদু লোকদাউন লৈরগসু লৈঙাক্লা হোম দিলিভরিগী অয়াবা পীবা মরম্না লল্লাই মপারি থৌগল লুপকী থৌমীশিংনা লৈকায়-লৈকায়দা লৈবা থৌমীশিংদা য়োন্থোকখি। লল্লাই মপারি থৌগল লুপনা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপালনা লৌমী মীয়ামগী খন্দুনা লৌখৎক্লিবা খোংথাংশিংবু মীয়ামদা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উৎখিবা অসিমক লল্লাই মায়কৈগী মীয়ামগী ওইনদি লাইবক ফবনি। চীন্না ঙাঙনবগী মহুৎতা থবক ওইনা উৎপা হায়বসি লল্লাই মায়কৈগী অনৌবা খোংথাং অমা ওইরক্লি। মখা তানা লল্লাই মপারি থৌগল লুপনা চঙশিল্লকপা খোঙথাংশিংদা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অথুবা মতমদা মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা হৌরগনি...

*লামায় ১গী মখা...*অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরম পুম্নমক মীওই পুম্নমক্কী পুন্সি কন্নবা অমসুং মীয়াম্বু য়াইফহন্নবগীদমক পায়খৎলি। মসিদা মীয়ামগী মায়কৈদগীসু মপূং ফাবা কো-ওপরেসন পীবীবগা লোয়ননা লায়না অসিগী মরমদসু মমুৎ তানা খঙবীগদবনি হায়খি।

উখ্রুলদা লৈবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমদা লৈরিবা পেসেন্ট অমনা তৌরকখিবা ৱাকৎকী মতুংইন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী চীফ মেদিকেল ওফিসরদা ফোন তৌদুনা খুদক্তা পেসেন্ট অদুদা পলস ওক্সিমিটর পীহনখ্রে হায়রি। অদুগা তমেংলোংদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা পেসেন্ট অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মৈ চাং নাইনা পীননবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা হায়রগনি হায়বগী থাজবসু পীখি হায়রি।

ঙসি অহুম্লকশুবা ওইনা পাঙথোকখিবা হোম আইসোলেসন/কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিক্লবা পেসেন্টশিংগগী মরক্তা চথখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মখোয়না মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং ফোঙদোকচবা ফংবগীদমক চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চোকথবা লৈতনা লায়না অসিগী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংদসু অপেনবা ফোঙদোরকখি হায়রি।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা চথখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা লৈঙাক্কী ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর ভুংজাগিন বালতে, কঞ্জ্যুমর এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ সৈত্যব্রত, রাজ্য সভাগী এম পি মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাওবা, চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ এদভাইজর ডা. এস রঞ্জন অমসুং এম এলএশিংদা গিনশুৱান হাউ, ঙমথং হাওকিপ অমসুং এল সুসিনদ্রোনচিংবসু শরুক য়াখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি হোম আইসোলেসন্দা লৈরক্লিবা পেসেন্টশিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবগা ইরোয়ননা হায়রিবা পেসেন্টশিং অসিগীদমক মণিপুর হোম আইসোলেসন মেনেজমেন্ট (এম ঐচ আই এম) কৌবা মোবাইল এপ্লিকেসন অমসু লোঞ্চ তৌখি। পেন্টাবাইট টেক্নোলোজিষ্ট এল এল পিনা দিভেলপ তৌবা মোবাইল এপ অসি mhim.in দা ঙসি অহিং নোংয়াই মতুংদগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি। অদুগা হায়রিবা এপ অসি অথুবা মতমদা গুগল প্লে ষ্টোরদগীসু ফংগনি হায়রি।

মোবাইল এপ অসি হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী মোনিটরিং লেভেলদা মখোয়দা অশেংবা হেল্থ দাটা য়াওনা ইনফোর্মেসনশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা লোঞ্চ তৌবনি। মোবাইল এপ অসিগী খূত্থাংদা পেসেন্টশিংনা মখোয়গী পলস রেট, এস পি ০২, বোদি টেম্পরেচর অমসুং ব্লদ প্রেসরনচিংবা য়াওনা মখোয়গী হেল্থ ষ্টেটসশিং অপলোদ তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

হায়রিবা এপ অসিদা অপলোদ তৌরকপা দাটা পুম্নমক হেল্থ দিপার্টমেন্টনা সেট তৌবা পেরামিটর অমসুং কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না ক্রিটিকেল অমসুং নোর্মেল হায়দুনা খাইদোক্কনি। করিগুম্বা দাটাশিং অদুগী মনুংদা ক্রিটিকেল দাটা য়াওরম্লবদি মোনিটরিং টিমদা পাউ পীদুনা খুদক্তা পেসেন্ট অদুগী হকচাংগী ফীভম হেন্না শোকচিলহল্লক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবা পেসেন্টশিংগীদমক মোবাইল এপ অসি হৌদোকপা মতমদা হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী প্রিন্সিপল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাংসু শরুক য়াখি। অদুগা হোম আইসোলেসন পেসেন্টশিংগী হেল্থ ষ্টেটস অপলোদ তৌনবগীদমক হেল্থ ৱার্কর অমসুং ষ্টাফশিংনা শীজিন্নগদবা মোবাইল এপ অমসু অথুবা মতমদা লোঞ্চ তৌরগনি হায়রি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা কোভিদ লাকশিন্নবগী চেকশিন থৌরাংশিং জুন ৩০ ...

লামায় ১গী মখা... মখা তানা চথগদৌরিবা অথিংবশিং অসি কোমথোকপগী মতাংদদি চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। মরম অদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা এপ্রিল ২৫দা পীরকখিবা পাউতাক মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা কন্টেনমেন্ট মেজরশিং অসি হৌজিক মায়োক্লরিবা পেন্দমিক অসিদগী নাম্থোরক্ত্রিবা ফাওবদি মখা তানা চথখিগদবনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা মথৌ তাবা দিরেক্সনশিং ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংদা পাউতাক পীগদবনি। অদুগা মখা শাংথদনা চথগদৌরিবা কন্টেনমেন্ট মেজরশিং অসিবু মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবগীদমক ফিল্ডদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং লৈবাক মীয়ামদা পাক শন্না খঙহনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেস ৮১৩ অসিগী মনুংদা ৮১২না জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগীনি অদুগা কেস অমনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলনি হায়রি।

ঙসিগী অপূনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবশিংনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা নুপা ৪০৭ অমসুং নুপী ৪০৫নি। হায়রিবা কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ৩, জেনিমস ৭৩, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪১১ অমসুং লেমহৌরিবা কেস ৩২৬না অতোপ্পা প্রাইভেট টেষ্টিং সেন্টরশিংদা থেংনখিবনি হায়রি।

পুং ২৪ অসিগী মনুংদা থেংনখিবা অপূনবা কেসশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৬৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩০০, থৌবাল ৩৩, বিষ্ণুপুর ৫৩, ককচীং ৫৭, উখ্রুল ৭, চুড়াচান্দপুর ১০৯, চান্দেল ৬, সেনাপতি ২৪, তমেংলোং ৯, তেংনৌপল ১২, কাংপোকপী ১২, জিরিবাম ১৭ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪নি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবা মেদিকেল প্রিকোস্নরি মেজর পুম্নমক লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা হায়বদা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওই ১৮নি। মীওইশিং অদুদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ২, ইম্ফাল ইষ্ট ৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪, ককচীং ৫ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি।

অপূনবা মীওই ১৮ অসি ককচীংগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা ১, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তমেংলোংদা ১, জিবন হোস্পিটালদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ১, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ২, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদগী ৩, জেনিমসতা ৪ অমসুং রিমসতা মীওই ৫ লৈখিদবনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লৈখিদবা অপূনবা মীওই মশীং ১৮ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওই মশীং ৭৮৮শুরে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফরদুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫৭৬নি। হায়রিবা মশীং অসিগী মনুংদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১৩, হোম আইসোলেসন্দগী ৪৬০, রিমস ৪, জেনিমস ৯, বাল ভবন ৬, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ৭, শিজ হোস্পিটাল ১১, আর দি ৱিং ৬, লানভা ১৩, ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল ১, লম্ফেলপাট খোংনাংখোংগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী ৩০, জিবন হোস্পিটালদগী ৩, সেনাপতিদগী ৫, চুড়াচান্দপুরদগী ৭ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১ য়াওরি হায়রি।

ঙরাংদগী ঙসিনা পোজিটিভ কেস মশীং থেংনবগী চাংদা হন্থরক্লবসু অয়াম্বা মশীংদা পোজিটিভ ওইরকপদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৪৭,১১১শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগী মীওই ৪৩,৩৬১ য়াওরি। অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ৩,৭৫০না সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনি। অদুগা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিদগী ফরক্তুনা দিসচার্জ তৌরবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩৮,৯০১শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগী মীওই ৩৫,২৫২নি। অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ৩,৬৪৯না সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনি হায়রি।

নুমিৎ খুদিংগী লেপ্পুনা পোজিটিভ কেসশিং অয়াম্বা চাংদা থেংনরক্লিবা অসিনা মরম ওইরদুনা ঙসি ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এক্টিভ কেসকী অপূনবা মশীংনা ৩,৪৬২ শুরে। হায়রিবা মশীং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ৩৭,৩৬৬নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৯৬নি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবগী চাংনা চাদা ৮২.৫৭নি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ষ্টেট অসিনা হৌজিক মায়োক্লুরক্লিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা পীরকপা চৈথেংশিং কোকহন্নবগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ইন্সটিট্যুসন অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা দি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,৪০২ অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫৪৩গী খুদোংচাবা ফংহনখি। হায়রিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অসিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং গভর্ণমেন্ট ইন্সটিট্যুসনশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপকী ওক্সিজেন ২০৩ অমসুং বি টাইপকী ৫৭নি। হায়রিবা মশীং অসিগী মনুংদগী বিষ্ণুপুরদা দি টাইপকী ২৮, চান্দেলদা দি টাইপকী ১৭, বি টাইপকী ৪, চুড়াচান্দপুরদা দি টাইপকী ৬০, বি টাইপকী ২, সেনাপতিদা দি টাইপকী ১৯, থৌবালদা দি টাইপকী ১১, বি টাইপকী ১৩, উখ্রুলদা দি টাইপকী ২১, তমেংলোংদা দি টাইপকী ৫, জিরিবামদা দি টাইপকী ২০, বি টাইপকী ১৩, মোরেদা দি টাইপকী ৪, বি টাইপকী ৬, মাওদা দি টাইপকী ৪, বি টাইপকী ৬, ককচীংদা বি টাইপকী ১০, কাংপোকপীদা দি টাইপকী ৫, বি টাইপকী৫, ফেরজোলদা দি টাইপকী ৪, বি টাইপকী ৩, কামজোংদা দি টাইপকী ৩ অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিংনা ৩,৬৭,৬৫৫শুরে হায়বগা লোয়ননা মীপূম খুদিংমক্লা ফেস মাস্ক উপ্পীবগা লোয়ননা খূৎ-শা শেংনা হামদোকপীদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়রি।

থম্মোয় শোক্লা শরুক য়াজরি : এন আর এফ এম

লামায় ১গী মখা... মরিংজেলনা লৈবাক্কীদমক অচৌবা কাউঙমদ্রবা নুমিৎ ওইহৌরে। মণিপুরগী চিরবা তানফম অসিদা মমল য়াম্লবা লুচিংবশিংনা লৈখিদবদা মণিপুরগীদমক অচৌবা মাঙজবা ওইরে। ইন্দিয়ানা নোংম-নোংমগী খুদুম চনশিল্লক্লিবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্কীদি অসুক্কী মতিক থম্মোয় শোকপা হায়বদু ওইহৌরি। লৈখিদ্রবা অহুমগী ইমুং মনুংগী অমদি প্রিপাক্কী অৱাবদা এন আর এফ এমসু থম্মোয় শোক্লা শরুক য়াজরি হায়রি।

ৱেসিয়াগী হঞ্জনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবনি ...

লামায় ১গী মখা... মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা অসি ৱাহৈনা ফোঙদোকপদি ঙম্লরোই। অতোপ্পা লূপশিংগী মীওই ঐখোয়না লাপ্পা উরকপদা চ্যেরমেন শাথী, লূপ হেক য়াওরকপদগী হৌনা ফিদম্মিংঙাই ওইবা লিচৎ চৎপা মীওই অমনি। য়াওলগী অৱাংবা ফিদম ঙাকখি, ৱাখলদা নীংজিং-মাংজিংনবা উখিদে, তরারক তুরবসু তরারক হৌগৎপা মীওইনি হায়বা উৎখি, অকে-অমৌ তৌবা উখিদে, অকিবা ফাওখিবসু মান্দে, মীনম শোরি নমথাক তৌবা খঙদে, করিগুম্বা হীরম অমদসু অশোনবা লৈবা মান্দে হায়রি।

চ্যেরমেন শাথী য়াম্না নহা ওইনা থৌনা লৈবা, মরীল লোত্তবা, কথোকপগী হালেংবা লৈতবা য়াওল লান্মী অমা ওইনা হৌরকখি। নহা ওইদনা হনুখি হায়বা য়াই। নহা ওইরিঙৈদা হঞ্জন হঞ্জন ফাদুনা য়েক্লবগী কৈশুমশঙদা কয়ারক হন্না থমজিনখি। য়েক্লবগী ফাদোক ওইনা লৈরিঙৈদসু তিন্নবা নুংঙাইবা, ফাগি চেনবা, ঐগী-মীগী নাইদবা, নুংগী অৱাবা উৎতনা হরাও তয়াম্না লৈখিবা, লাইরিক পাবা, ইংলিস তম্বা অমদি শাজেল তৌবদা নোংমগী মতম কোন্নখিদবা, মবুক চেৎপা লুচিংবা অমনি হায়রি।

ঈশিংদা হুন্থরবসু ঙা অমা ফারগা কারকই, মৈনুংদা লংশিল্লবসু মনি অমা পায়রগা থোরকই হায়বা মীতা অদুনি। মতুংদা কম্মান্দর অমদি লুচিংবা ওইরক্লবা মতমদসু মচা-মনাও লুনা তৌবা, চিকোন নাওকোনবা, ঐ অমদি ঐগী হায়বসিনা তুংদা থম্বা, য়াওল অমদি মীয়াম্না মাঙদা থম্বা, মরুপ মপাং, অহল লমন ইকায় খুম্নবা, হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা থাজবা য়াবা, অচুম্বা মশক খঙবা অচুম্বা তৌবা, ৱাখল খনবদা লোজিকেল ওইবা, তৌথোরকপদসু য়াম্না রেসনেল ওইবা, মীনুংশি চাওবা, নোল্লুকপা, অচৌবা শাদবা লুচিংবা অমা ওইরকখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি মাইকেল য়াম্না নহা ওইরিবা তুংগী আশা চাউনা লৈবা মঙাল লৈবা লুচিংবা অমনি। মীওইবদা তাঙনা লৈবা গুণ অনী - হায়বদি থবক্লা লাইনীং ওইবা, থবক কনবা অমদি তম্বা/নৈনবা/থিবা কনবা হায়বা গুণ অনী অসিনা তারগা শাবা লুচিংবা অমনি। য়াওল নত্তনা অতোপ্পা অপাম্বা অতৈ লৈতবা হায়বসিনা মহাক্কী অহেনবা য়াওল্লোয়গী মতিং অমনি।

মহাক্কী অরোইবা খোঙচৎকী চৎলমদাই মীকুপ্তা তাইবঙপাল থাদোক্তুনা চৎলনি মশানা খঙজরবগুম নক্লা-লুনা চান্না তিন্নজবা মরুপ-মপাং কনাদা শিন্নজরম্মী মহাক্কী অরোইবা খোজৈগী ঈশৈ 'য়েক্লবা কয়ানা নঙবু লাঙ্গৈাই চনখ্রবদি লময়ানবা অথৌবা কয়ানা থৱায় কৎখিবদু নীংশিংউ, অকি-তুজুং লৈতনা মায়োক্লরম্মু লানফমদা তুংদা লাকপা কয়াগী লম্বী য়াৎলম্মু নখোয়না'।

লৈখিদ্রবা মরুপ মাইকেল, লাইরিক পারবসু য়াওলগী পাবা, আর্টিকিল ইরবসু য়াওলগী ইবা, ঈশৈ ইরবসু য়াওলগী ইবা, ফিল্ম য়েংলবসু য়াওলগী য়েংবা, মঙ মঙবা ফাওবদা য়াওলগী মঙলমগদবা মানবা লুচিংবা অমনি হায়রি।

লেফটিনেল কর্নেল রোজরসু মথক্তা পঞ্জরিবা লুচিংবা অনীগুম্না তুংগী আশা লৈবা য়াম্না নহা ওইরিবা লুচিংবা অমনি। ইচং থৌবা অমদি অহল-লমন্না হায়বা ইনবা হায়বসিনা মহাক্কী লূ-তোংদা য়াওরক্লবা মতিং মাল্লি। তুংগী আশা লৈবা লুচিংবা অহুমনা মতম চাদনা লৈখিদবা হায়বসি প্রিপাক্কীদা নত্তনা কংলৈপাক অমসুং ৱেসিয়াগী হঞ্জনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি হায়নসু মখা তারক্লি।